# আর্মি হেদক্কার্টরস রিষ্ট্রকচরিংগী পুখৎখিবা ব্রাফম মিনিষ্ট্রিনা য়ারক্লে ঃ আর্মি চীফ



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৫(এজেন্সি)ঃ***
মতমগী অনৌবা ব্রারফিয়ারগী শীংনবশিং মায়োক্লনবা আর্মিবু নৌনা শেমদোক্কদবা আর্মি হেদক্কার্টরস রিষ্ট্রকচর তৌনবগী পুখৎখিবা ব্রাফম অদু দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরক্লে হায়না আর্মি চীফ, জেনরেল বিপিন রৱাতনা ফোঙদোকখ্রে।

আর্মি হেদক্কার্টরস নৌনা শেমদোক্লবগী থৌরাংশিং অদু ঐখোয়না থবক্তা ওন্থোকপা হৌরগনি। আর্মিবু তুংদা লাক্কদবা ব্রারফিয়ারগী শীংনবশিং অদু লাক্কিনবা ঙম্বা অফবা কেপাবিলিটি–বেজ ফোর্স অমা ওন্থোক্লবগীদমক আর্মিনা রিষ্ট্রকচরিংগী ব্রাফম অদু পুখৎখিবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

থৌরাং অসিগী মখাদা দিল্লিদা পোষ্টিং লৈরিবা ওফিসারশিংগী চাদা ২০ ঙমখৈ পরিংদা ফিল্ড ফাইটিং ফোর্মেসনশিংদা থাখিবা য়ারগনি। থৌরাং অসি আর্মি চীফকী ট্রান্সফোর্মেসন প্লানশিংগী শরুক অমনি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না পীরিবা অয়াবা অসিগী মতুংদা আর্মি হেদক্কার্টরসতগী ওফিসার ২২৯ লেন্নগনি অমসুং মখোয়বু ফিল্ড আর্মিশিংগী য়ুনিটশিং অমসুং ফোর্মেসনশিংদা মফম হোংদোক্তুনা থাখিবা য়ারগনি হায়রি।

অনৌবা থৌরাং অসিগী মতুং ইন্না আর্মিগী ৩শুবা দিপুটি চীফ অমা ফংলগনি। ৩শুবা দিপুটি চীফ অসিবু দিপুটি চীফ (ষ্ট্রেটেজি) হায়না খঙনগনি অমসুং মিলিটরি ইন্টিলিজেন্স, ইনফোর্মেসন ব্রারফিয়ার এন্দ ওপরেসন্সকী মরুওইবা দাইরেক্টোরেট পূন্নমক য়েংশিনগনি।

লেফটনেন্ট জেনরেল রেঙ্ককী ওফিসার অমনা মোনিটর তৌগদবনা সাইবর ব্রারফিয়ারগা লোয়ননা ইনফোর্মেসন ব্রারফিয়ারনা অচৌবা ঈনোৎ অমা ফংলগনি। হৌজিক হৌজিক্তি আর্মিদা দিপুটি চীফ ২দমক লৈ। অহানবা দিপুটি চীফ অদু ফোর্স অসিগী কেপিটেল প্রোকিওরমেন্ট য়েঙশিল্লিবা দিপুটি চীফ (প্লানিং এন্দ সিষ্টেমস) হায়না খঙনৈ। অনীশুবা অদুনা দিপুটি চীফ (ইনফোর্মেসন সিষ্টেমস এন্দ ট্রেনিং) হায়না খঙনৈ হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

আর্মি চীফ, জেনরেল বিপিন রৱাতনা পুথোক্লিবা অনৌবা প্লান অসিগী মতুং ইন্না রাষ্ট্রিয়া রাইফলসকী দাইরেক্টর জেনরেলগী ফম অদু লৈররোই। হৌজিক মহাক উধমপুরদা নোরদর্ন কম্মান্দদা মফম হোংদোক্লগনি। হৌজিক রাষ্ট্রিয়া রাইফলস অসি লেপটনেন্ট জেনরেল অমগী মহুত্তা মেজর জেনরেল অমনা য়েংশিল্লগনি।

আর্মি হেদক্কার্টরস রিষ্ট্রকচরিং অমসুং ফোর্স অসিগী রিওর্গনাইজেসনগী অতৈ শীংথানীংঙাই ওইবা থৌরাংশিংদা ইন্দিয়ান আর্মিগী মোদর্নাইজেসন অমসুং রেভিন্যু প্রোক্যুরমেন্টকী থবক পূন্নমক, হান্না দিপুটি চীফ প্লানিং এন্দ সিষ্টেমস হায়না খঙনরম্বা দিপুটি চীফ (কেপাবিলিটি দিভলপমেন্ট)না পায়রগনি।

করপসনগী কেসশিং অমসুং ট্রন্সপরেন্সিগী মতাংশিং য়েংশিন্নবা আর্মি চীফকী মখাদা মেজর জেনরেল রেঙ্ককী অনৌবা ওফিসার অমা হাপ্লগনি। মহাক্না আর্মি চীফতা হকথেঙননা রিপোর্ট তৌরক্কনি। মসিগী মথক্তা আর্মিগীদমক হ্যুমেন রাইটসকী মতাং য়েঙশিনগদবা অতোপ্পা পোষ্ট অমসু শেমখ্রে।

# টেঙ্কর ফাজিনখিবগী খূৎ হন্দুনা ইরানননা বৃটিশ সিপ অমা ফাজিন্নবগী কিহনখ্রে



***লন্দন /দুবাই, জুলাই ০৫(এজেন্সি)ঃ***
বৃটেনগী রোয়েল মেরিন্সনা গিব্রাল্টরদা ইরানগী সুপরটেঙ্কর অমা ফাখিবগীদমক লৈবাক অসিগী রিভোল্যুসনরি গার্দস কম্মান্দর অমনা লমন খুমদুনা বৃটিশ জহাজ অমা ফাগনি হায়না ঙসি কিহনখ্রে।

বৃটেননা করিগুম্বা ইরানগী ওইলটেঙ্কর অদু থাদোক্লক্তবা তারবদি বৃটিশ ওইল টেঙ্কর অমা ফাবা হায়বসি ওথোরিটিজগী মথৌনি হায়না রিভোল্যুসনরি গার্দস কম্মান্দর মোহসেল রেজাইনা ত্বিটরদা হায়খি।

গিব্রাল্টর গভর্ণমেন্টনা সুপরটেঙ্কর গ্রেস ১ কী ক্রু মেম্বরশিং অদু ব্রিটনেসশিং ওইনা ইন্টরভিয়ু তৌখিবনি, ক্রিমিনেল সম্পেক্স ওইনা তৌখিবা নৎতে। টেঙ্কর অদুনা পুরিবা পোৎ অদু করিনো অমসুং মদুনা করি লমদা পুগদৌরিবনো হায়বদু খঙনবা হোৎনবনি হায়খি।

বৃটিশ রোইয়েল মেরিনসনা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা বৃটিশ টেরিটোরি অদুগী সমুদ্রা তোৰ্ব্বান মনাক্তা জহাজ অদুগী মথক্তা কাখৎখি অমসুং মদু ফাজিনখি। মখোনা অমম্বা মরক্তা থৌরিবা জহাজ অদুগী মথক্তা হেলিকোপ্টর অমা লেন্দিং তৌখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানদা এটেক তৌগনি হায়না লাওথোকখ্রগা তৌদ্রিঙৈ মমাঙদা অমুক তোকখিবা চয়োল খরগী তুংদা ঙরাংগী থৌদোক অদুনা ইরান অমসুং ব্রেষ্টকগী মরক্তা মায়োক্লনা লান থোকপা য়াবগী ফিভম হেনগৎহনখ্রে অমসুং য়ুরোপিয়ান লৈবাকশিংনা নাকন অমত্তদা মীচং চংদনা লৈনবা হোৎনরিবা ৱাথোক অমদা ব্রাসিংটনগী নক্লবা খোঙবু লৈবাক অসি পুশিনখ্রে।

ইরানগী জহাজ অমবু আইনগী ৱাংমদা অমসুং করিগুম্বা মওং অমত্তদা য়ানীংঙাই ওইদবা ফাবগী থৌওং অদুগী মায়োক্তা য়ান্না কনবা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লবা ঙরাং বৃটিশ এম্বেসেদর অদু টেহরাননা কৌখৎখি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অব্বাস মৌশাবীনা ক্রুদ ওইল কারগো অদু ইরানদগীনি হায়খি।

জহাজ অদুগী চে–চাংশিংদা থাও অদু থংনবা ইরাকতগীনি হায়খি, অদুবু পাউগী এজেন্সি রোইটরসনা রিভ্যু তৌখিবা ট্রেক্কিং দাতা নদি মদু ইরানগী হিথাংফম অমদা লোদ তৌখিবনি তাকই।

গিব্রালটর ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি, সুপরটেঙ্কর অদুগী মথক্তা লৈরিবা মেম্বর ২৮গী ক্রু অদু অয়াম্বনা ইন্দিয়াননি। খরা অমনা পাকিষ্টানি অমসুং য়ুক্রেনিয়ানশিংনি হায়খি।

পুলিস অমসুং কষ্টমস ওফিসিয়েলশিংনা মখোয়গী ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক জহাজ অদুগী মথক্তা লৈহৌখি অদুবু বৃটিশ রোয়েল মেরিনসতি মখাতানা লৈখিদে। ইরানগী মথক্তা অচৌবা সেঙ্কসনশিং থমজিনবদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মতুং ইন্দে।

গিব্রালটর টেরিটোরি অসি অয়াম্বনা মখোয় মশানা লৈঙাকচৈ, অদুবু ফোরেন পোলিসিদি লন্দনদগী চলাইরকই অমসুং বৃটিশ মিলিটরিনা মফম অসিদা অপীকপা এয়ার বেজ অমা ওপরেট তৌই।

## GAS TODAY

| | |
|---|---|
| **Manipur Gas** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk | : 306, 19kg -52 |
| Time | : 07.30 to 09.30 a.m. |
| First Came First Serve | |
| **Maibia Gas, Moirng** | |
| Booking | : 13/06/19 |
| Sl. No. | : 9695 |
| Valid | : 08/06/19 |
| Sl. No. | : 7771 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.00 to 11.00 a.m |
| **T D K Gas, Sekmai** | |
| Booking | : 08/06/19 |
| Valid | : 29/05/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.30 to 10.30 a.m |
| **Lambodara Indane** | |
| Booking | : Up to Date |
| Valid | : Nill |
| Time | : 08.00 to 10.30 am. |
| **Lamsang Gas** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 10.00 am. |
| First Come First Serve | |
| **Misao Gas Service** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk | : 306, 19kg & 5kg Avail |
| Time | : 07.00 to 11.00 am. |
| First Come First Serve | |
| **K & K Indane** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.30 to 11.00 am. |
| First Come First Serve | |
| **Hrangchal Gas Agency** | |
| Booking | : 21/06/19 |
| Valid | : 15/06/19 |
| Stk | : 612, 19kg Available |
| First Come First Serve | |
| **Nongpok Sekmai Indane** | |
| Booking | : 22/06/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 08.00 to 10.00 a.m. |
| First Come First Serve | |
| **Porompat Indane** | |
| Booking | : 10/06/19 |
| Valid | : 15/05/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.30 to 10.30 a.m. |
| **Patsoi Indane** | |
| Booking | : 02/07/19 |
| Valid | : 26/05/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 08.00 to 10.00 a.m. |
| **G B D Indane** | |
| Booking | : 11/06/19 |
| Valid | : 16/05/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.00 to 10.30 a.m. |
| **Khngnang Gas, Ningthoukhong** | |
| Booking | : 05/06/19 |
| Valid | : 03/06/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.30 to 10.30 a.m. |
| **Ashangbi Indane, Sugnu** | |
| Booking | : 31/05/19 |
| Valid | : 17/05/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 09.00 to 11.00 a.m. |

# ‘লূপা ক্রোর লাক্ষ ৪গী বেদ লোনশিং খোমগৎলে’

***ন্যু দিল্লি জুলাই ০৫(এজেন্সি)ঃ***
গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা চহী ৪দা লূপা ক্রোর লাক্ষ ৪ ওইগদবা নন–পার্ফোরমিং এসেটস (এন পি এ) খোমগৎলে হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অনীশুবা নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকী অহানবা মপূং ফাবা য়ুনিয়ন বজেট অদু পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকপদা মহাক্না হায়খি– হৌখিবা চহী ১দা লূপা ক্রোর লাক্ষ ১ ওইগদবা এন পি এশিং রিকোভর তৌখি।

নন–বেঙ্কিং ফাইনান্সিয়েল কম্পেনিশিং খক্ততা নত্তনা গভর্ণমেন্টনা মপূ ওইবা বেঙ্কশিং অমসুং প্রাইভেট বেঙ্কশিংদা য়াম্লবা নন–পার্ফোরমিং এসেটসশিং লৈরমখি হায়না মহাক্না হায়খি।

# খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট ১ হাৎখ্রে

***শ্রীনগর, জুলাই ০৫(এজেন্সি)ঃ***
জম্মু এন্দ কাস্মিরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবদা ঙসি হিজবুল মুজাহিদীন (ঐস এম) টেরোরিষ্ট অমা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদু খা কাস্মিরগী সিপিয়ান দিষ্ট্রিক্টকী ইমাম সাহীবকী বাতপোর–নারৱানি এরিয়াদা থোকখিবনি।

# রজিব গান্ধী হাৎখিবগী কনভিক নলিনি শ্রীহরন নুমিৎ ৩০নিগী পেরোল ফংখ্রে

***চেনাই, জুলাই ০৫(এজেন্সি)ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রজিব গান্ধী হাৎখিবগীদমক কনভিক্সন পীখিবা ৭কী মনূংদা অমা ওইরিবী নলিনি শ্রীহরনবু ঙসি মদ্রাজ হায় কোর্টনা থা অমগী পেরোল পীখ্রে।



য়ুনাইটেদ কিংদমদা মেদিসিনগী হীরমদা মহৈ তন্নিবী মহাক্কী মচানুপী লুহোংনবগীদমক থৌরাং তৌনবা মহাক্না জেলদগী থা ৬কী ছুতি অমা পীবীনবা হায়জরকখিবনি।

কোর্টনা মহাকপু উপাই থোইনা লৈত্রবা নুপী অমনি হায়রদুনা হায়রিবা মতম অসিগী মনূংদা পুলিস সেক্যুরিটিগী অচঙমন শেন পীবদগী কোমথোকখি অমসুং মহাক তৌফম থোকপা পূন্নমক ইন্দুনা চৎনবা মঙোন্দা খঙহনখি। পিঙ্ক মচুগী শারি অমা শেৎতুনা মশানা মশাবু থাজবগী মায়থোঙগা লোয়ননা নলিনিনা মখুত্তা চে মপূন অমা পায়দুনা কোর্টতা লাকখি। মহাক্কী ৱাকৎ অদুগীদমক মহাক মশামক্না ৱা ঙাংজনবগী তাঞ্জা পীবগীদমক অমসুং মীহাৎ অদুগী কনভিক পূন্নমক্কী শিবগী চৈরাকশিং অদুবু ককথৎলগা হন্থবা জেলগী চৈরাক ওইনা পীবগীদমক কোর্টপু থাগৎলদুনা মহাক্না হান্না থৌরাং তৌরকপা ৱারোল অমদগী পাথোক্লদুনা তামিল লোনদা অমসুং মরক মরক্তা ইংলিতা ৱা ঙাংখি। মহাক মরক–মরক্তা মপী তানা কপখি।

রজিব গান্ধী এসাসিনেসন কেস অদুদা মহাক লান্না চৈরাক পীবীরবা লায়রবা মরান লৈজদবা মীওই অমনি হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি। ঐনা ইচানুপীবু য়েংশিনবীবা ঙমদ্রে অমসুং মমা অমা ওইবগী দায়ত্বশিংবু মপূং ফাহনবা ঙমদ্রে হায়না মহাক্না হায়খি। ঐগী ইপানা শিদ্রিঙৈগী মমাঙদা মঙোন্দা তৌগদবা ঐগী ইথৌদাং অদুসু পাংথোকপা ঙমখিদ্রে। হৌজিক ইচানুপী লুহোংবা অদুগীদমক ঐগী ইমূংগা উন্নবা তারি। ঐনা চংগদবা শেনফমশিং অদু থৌরাং তৌরুবা তাই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কেস অমগী হিয়ারিং চথরিবা জজ অনীগী মনূংদগী ঙসিগী ওর্দর অদু পীরদুনা জষ্টিস এম এম সুন্দরেশনা মাগী পূন্সিগী জেলগী চৈরাক অদুদগী মহাক্না ফংগদবসি সুপ্নগী থা অমগী পেরোল অমখক্তনি হায়খি।

গভর্ণমেন্ট রুলসশিংগী মতুং ইন্না য়াম্লবদা নুমিৎ ৩০নি খক্তগী ছুতি পীবা য়াই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।


রজিব গান্ধী হাৎপশিংদা চংজফম পীবগীদমক অহানবদা নলিনিবু শিবগী চৈরক্কী রাই অমা পীখিবনি। অদুবু জেল মনূংদা নলিনিনা অঙাং অমা পোকখিবগী মতুংদা রজিব গান্ধীগী লোয়নবী নুপী অমসুং হান্নগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা হায়জরকপদগী মহাকপু শিবগী চৈরাক্তগী লাইফ ইম্প্রিজনমেন্টতা ওন্থোকখিবনি।

শিবগী চৈরাক ফংদুনা লৈরিবা অতৈ কনভিক ৬না ঙাকপীনবা থাঙ্গৎলকখিবা পেটিসনশিং অদু প্রসিদেন্টনা ৱারেপ লৌবা থেঙবদগী সুপ্রিম কোর্টনা মখোয়গী শিবগী চৈরাকশিং অদু কম্যুট তৌখিবনি।

কনভিক ৭মক অদু লোয়নমক জেলদা লৈরকপা হৌজিক চহী ২৮ মপূং ফারক্কদৌরে। মখোয়বু থাদোক্লবা টামিলনাদু কেবিনেটনা রিকোমেন্দ তৌরকখ্রবসু হীরম অদুগী মতাংদা গভর্ণরনা হৌজিক ফাওবা ৱারেপ অমত্তা লাওথোক্ত্রি।

# বাহমাস মনাক্তা হেলিকোপ্টর ক্রাসতা য়ু এস বিল্লনর য়াওনা ৭ শিখ্রে

***ৱাসিংটন, জুলাই ০৫(এজেন্সি)ঃ***
বাহামাস সমদ্রা তোৰ্ব্বান মনাক্তা হেলিকোপ্টর অমা ক্রাস তৌবদা য়ু এস বিল্লনর কোল মেগ্নেট ক্রিস ক্লাইন য়াওনা মীওই ৭ শিখ্রে হায়রি।



চোপ্পর অদু শগোলশেলগী অয়ুক অঙনবদা লৈবাকসিগী অৱাং থংবদা ক্রাস তৌখিবনি হায়না টুরিজম অমসুং এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিগী ৱা পল্লদুনা নাসাউ গার্জিয়ান পাউ–চেনা হায়খি।

ঐখোয়না হেলিকোপ্টর অদু উরে। পেসেঞ্জর ৭ অদু হৌজিক ফাওবা মনূংদা লৈরি। মরম অদুনা হেলিকোপ্টর অদু লূপথরে। অদুবু ঐখোয়না হৌজিক ফাওবদি চপ চাবা অমত্তা লেপ্প ঙমদ্রি হায়না টুরিজম এন্দ এভিয়েসন মিনিষ্টর দিওনিসিও এগুইলারনা হায়খি।

হেলিকোপ্টর অদু পাইখৎলকখিবগী মতুং থুনমক ক্রাস তৌখিবা ওইগনি খল্লি। ওথোরিটিজনা হেলিকোপ্টর অদু অমসুং মীওইশিং অদু লৌখৎনবা হোৎনরি।

য়ু এস বিল্লনর ক্রিস ক্লাইনগী মরুপশিংনা হেলিকোপ্টর অদু বাহামাসতগী ফ্লোরিদাগী ফোর্ট লাওদরদেনদা চৎখিবনি হায় হায়না ৱেষ্ট ভর্জিনিয়া পাউ–চে দ রেজিষ্টর–হেরেল্ডনা হায়খি।

ক্রিস ক্লাইন শিরে হায়বা ৱাফম চপ চানা ফোঙদোক্লদুনা ৱেষ্ট ভর্জিনিয়াগী গভর্ণর জিম জষ্টিসনা ত্বিটরদা ইখিবদা ঙসি ঐখোয়না দবলিয়ু বি সুপর ষ্টার অমা মাঙজরে অমসুং ঐহাক্কী য়ান্না নক্লবা মরুপ অমা মাঙজরে হায়খি।

ব্যুজিনেসমেন অদুনা ইম্পায়র অমা শাগৎলমখি অমসুং থৌদোক খুদিংমক্তা মতম পূন্নমক্তা পীবতা ওইখি। কয়াদা অঙকপা, নুংশিরবা অমসুং পীথোকপা মীওই অমা ওইরিবনো হায়না গভর্ণর অদুনা হায়খি।

# ব্লেক সিদা য়ু এস প্লেন থৎনবা রসিয়ানা ফাইটর জেট পাইশিনহনখ্রে ঃ রিপোর্ট

***মোস্কো, জুলাই ০৫(এজেন্সি)ঃ***
ব্লেক সিগী মথক্তা এসিয়াগী নোংথক লম তন্না পাইশিল্লকখিবা য়ু এসকী লাঞ্জাবা প্লেন য়ু এস পি –৮ এ পোজৈদোন অমা মরক থৎনবা রসিয়ানা সুখোই এস য়ু –২৭ ফাইটর জেট অমা পাইশিনহনখ্রে হায়না রসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



সাউদর্ন মিলিটরি দিষ্ট্রিক্টকী এয়ার দিফেন্সেসকী শরুক ওইনা টারগেট অদু থৎনবা এস য়ু –২৭ ফাইটর জেট অমা থৌরাং তৌরগা পাইশিনহনখিবনি। ক্রু অদুনা এরিয়েল টার্গেট অদুদা শোয়–ভাম্বা থোক্লোইদবা অরাপ্পদা পাইশিনখি। ফাইটর অদু য়ু এস পি –৮ এ পোজিদোন রিকন্নাসেন্স জেট অমনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

য়ু এস জেট অদুনা রসিয়ান ষ্টেট বোর্দরদগী পাইথোকখিনবা মাগী ফ্লাইটকী মায়কৈ খুদক্তা হোংদোকখি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱা পল্লদুনা স্পুত্নিকনা হায়খি।

রসিয়ান ফ্লাইট অদু ইন্টর্নেসনেল রুলসকী পরীংদা পাংথোকখিবনি অমসুং ফাইটর জেট অদু মাগী মিসন মপূং ফারবা তূংদা মাগী হোম বেজদা হল্লকখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি অদুনা মখা তাখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌজিক ব্লেক সিদা নোটোগী সি ব্রিজ নেভেল দ্রিলসতা শরুক য়ারি। মদুগী পাউখুমদা রসিয়ানা ৱাটর বোদি অদুমক্তদা মখোয় মশাগী কম্বেট ট্রেনিং এক্সরসাইজেস পাংথোকপা হৌখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা রসিয়াগী নোংথকলম মনাক্তা মীরৈবাক্কী লাঞ্জাবা প্লেন ২৬ পাইশিল্লকপা উখি। রসিয়ান এয়ারস্পেস থুগাইবদগী ফোরেন এয়ারক্রাফ থিংনবা চয়োল অসিদা রসিয়ান মিলিটরি জেটশিং অহুম্লক হন্না দিপ্লোয় তৌখ্রে হায়না রসিয়ান আর্ম ফোর্সশিংগী ওফিসিয়েল পাউ–চে ক্রাসনয়া জভেজদানা হায়খি।

# ষ্টেটকী মিং ‘বাঙ্গলা’ ওনবা য়াহন্দবগী মমতানা সেন্টরবু চৈখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৫(এজেন্সি)ঃ***
ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ষ্টেট অসিগী মমিং ‘বাঙ্গলা’ ওনবা য়াহন্দবগীদমক বি জে পি লূচিংবা খরবু ঙসি চৈখ্রে, লোয়ননা ষ্টেটকী হক নমথরে হায়না সেন্টরবু মরান শীখ্রে।

ঐখোয়না ২০০৩দগী হোৎনরক্তি, অদুবু হৌজিক ফাওবা করিমতা ওইদ্রে। করিগীদমক বেঙ্গলবু মীরাইরিবনো অমসুং মসিগী হক নমথরিবনো? লোন পূন্নমক ঈকাইকুন্নগদবনি হায়না মমতা বেনর্জিনা হাউসকী ফ্লোরদা হায়খি।

বি জে পিগী লূচিংবশিংগী কাংবু অমনা মিং ওনবগী মায়োক্তা লেপ্লি মসি পোলিটিকেলগী ৱাখল শেপ্পনি। মহাক্না মসিগী মতাংদা চিঠি অমসু ইখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

ষ্টেট অসিগী মমিং ‘বাঙ্গলা’দা ওন্থোক্লবগী থবক অদু থুজিন্নবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মমতা বেনর্জিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ইখি।

হৌজিক চথরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা কনষ্টিট্যুসনেল এমেন্দমেন্ট অমা য়াওনা মথৌতাবা থবক অদুগীদমকসু মহাক্না মঙোন্দা হায়জখি।

ষ্টেট অমগী মিং ওনবা হায়বসিদা কনষ্টিট্যুসনেল এমেন্দমেন্ট মথৌ তাই অমসুং মরীলৈনবা মচাক পূন্নমক খল্লুরগা মদু তৌগদবনি হায়না য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা এম পি রিতাব্রতা বেনর্জিগী ৱাহং অমদা এম ও এস হোম নিত্যানন্দা রাইনা অইবা পাউখুম অমদা হায়খিবনি।

হৌখিবা চহীগী জুলাই ২৬তা ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেট এসেমব্লিনা ষ্টেট অসিগী মমিং ‘বাঙ্গলা’ হায়না ওন্থোক্লবা ৱারেপ অমা য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখি। ৱারেপ অদু ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী হেন্না ঙাংনরিবা লোন ৩, বেঙ্গলি, হিন্দি অমসুং ইংলিশতা লৌখি অমসুং হৌদোক্লিবা ৱাফম অদু অয়াবা পীরক্লবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা থাখি।

# গুজরাত রাজ্য সভা বাই–পোলদা ভোট থাদখিবা মতূং এম এল এ অনী এসেমব্লিদগী তোকখ্রে

***অহমেদাবাদ, জুলাই ০৫(এজেন্সি)ঃ***
রজ্য সভা সিট ২গীদমক পাংথোকপা বাই–পোলশিংদা পার্টিগী কেন্দিদেটকী মায়োক্তা ভোট পীখিবদগী ওইরম্বা য়াবা মওংদা ভোট অদুগী মতূংদা কোংগ্রেস এম এল এ ২ ঙসি গুজরাত এসেমব্লিদগী তোকখ্রে।



অলপেশ থাকোর অমসুং ধ্বলসিনহ জালানা মখোয়বু নীংথিজনা লোয়নবীদে হায়বগী ৱাকৎলদুনা পার্টিগী মায়োক্তা লালহৌখিবনি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা লোক সভা মীখলদা মায় পাকখ্রবা অমিত শাহ অমসুং স্মৃতি ইরানিগী হাংহৌরিবা সিটশিং অদুগীদমক বাই–পোল অদু পাংথোকপনি।

লৈরিবা মশীং অদু য়েংনবদা বি জে পিনা শোয়দনমক মায় পাক্কনি থাজৈ। গুজরাত এসেমব্লিদা কোংগ্রেসকী লোমেকর ৭১ লৈবদা বি জে পিগী ১০০ লৈ। ভোট থাদবা য়াবা অতৈ লেজিসলেটরশিংদি ভারতিয় ত্রাইবেল পার্টিদগী ২, এন সি পিদগী ১ অমসুং ইন্দিপেন্দন্ট ১নি। অদর বেকৱার্দ কাষ্টশিংগী মরক্তা তুংইনবা চাওনা লৈবা অলপেশ থাকোরনা এসেমব্লিদগী তোক্লবা তুংদা ফোঙদোকপদা লোক সভা মীখল মতমদা পার্টি অদু মখোয়না হেক য়াওবা মতমদগী হৌনা মখোয়বু নীংথিজনা লোয়নবীরকখিদে হায়খি।

রাহুল গান্ধী থাজবদগী ঐনা য়াওখিবনি অদুবু লায়বক থীবদি মহাক করিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙমদ্রে। লাইরবশিং অমসুং কনালৈজদ্রবশিংগীদমক থবক তৌনবা ঐনা চোংথোক্লকপনি অমসুং হৌখিবা চহী অমা মখাই মফম অসিদা লৈবদগী ঐনা মদু অমত্তা তৌবা ঙমখিদ্রে হায়না মহাক্না হায়খি। ঐখোয়বু হন্ন হন্না তুহৎপীখি। পার্টিগী অচৌবা লূচিংবশিং অদুনা অপীকপশিংগী ৱাফম কৈদৌঙৈদা তাবিদে। মরম অসিদগী ঐনা লৈরিবা ফম অসিদগী ঐনা রিজাইন তৌবনি হায়না ধ্বলসিনহ জালানা হায়খি। অইবা ওইনা মসিগী মতাংদা ঐনা হন্না হন্না পার্টিদা খঙহনখ্রবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

গুজরাতত রাজ্য সভগী মরক্কী মীখল অসিগীদমক বি জে পি মীরেপশিং –এক্সটরনেল এফিয়ার মিনিষ্টর এস জয়শঙ্কর অমসুং ও বি সি লিদর জুগালজি থাকোরকী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা চন্দ্রিকা চুদাসমা অমসুং গৌরব পন্দিয়া কন্টেষ্ট তৌহনখিবনি।

লৈবাক অসিবু অনৌবা হেন্না ৱাংবা থাক্তা পুখৎপা পাম্বা পূকচেন শেংবা নেসনেল লিদরসিপকীদমক ঐহাক্না ঐগী ভোট থাদখি। ঐগী নুংগী অপাম্বগী মতূং ইন্না ঐনা ভোট অদু থাদখিবনি হায়না পাউগী এজেন্সি প্রেস ট্রষ্ট ওফ ইন্দিয়ানা মিষ্টর থাকোরগী ৱাফম পল্লদুনা হায়খি।

কোংগ্রেস পার্টিদা লৈরিঙৈদা ৱাখলগী অৱাবা অদু নত্তনা ঐগী অতোপ্পা অৱাবা অমত্তা লৈতে। ঐহাক হৌজিক পোৎলূম অদুদগী নীংতম্লে হায়না ও বি সি লূচিংবা অদুনা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-173**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | 6 | | 3 | 7 | | |
| 6 | | | 2 | | 5 | 4 | | |
| 9 | 7 | | | 4 | | | | 3 |
| | 3 | 5 | | | 9 | | | 7 |
| | 9 | 4 | | | 7 | | 6 | |
| 7 | | 6 | | 3 | | 9 | | |
| | | 9 | 7 | 5 | | | 3 | |
| | 6 | | 9 | | | 5 | 7 | |
| 8 | | | | 2 | | | | 9 |

**সনা–সুদোকু – ১৭২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 4 | 8 | 1 | 7 | 2 | 6 | 9 | 5 |
| 6 | 5 | 7 | 9 | 3 | 8 | 1 | 4 | 2 |
| 9 | 1 | 2 | 5 | 6 | 4 | 8 | 7 | 3 |
| 5 | 3 | 4 | 8 | 2 | 9 | 7 | 1 | 6 |
| 8 | 2 | 6 | 7 | 1 | 5 | 9 | 3 | 4 |
| 1 | 7 | 9 | 6 | 4 | 3 | 5 | 2 | 8 |
| 4 | 6 | 1 | 2 | 8 | 7 | 3 | 5 | 9 |
| 7 | 9 | 3 | 4 | 5 | 6 | 2 | 8 | 1 |
| 2 | 8 | 5 | 3 | 9 | 1 | 4 | 6 | 7 |